## ৱারী মচা

# নোংঙানগদবনা কয়াম ৱাৎলিবা

*ময়েংবম প্রেমচান্দ*

অহীংসে মীচীক–মীরাওখোল তারক্লে। ওন্থোক্লসু মমখ্রে। থাশি ময়াসিনা থাশিদগীসু হেন্না মল্লীদরা! উপাল–ৱাপাল, হৈপাল–লৈপাল পূম্বা অমুবা ফিজোলদা অমম্বসিদা তূমিন লেপ্লি। মখোয়বু তুল্লিবরা নৎত্রগা করিগুম্বা অনীংবা অমা ফংগে খন্দুনা লাই নীংলিবরা! মসি নৎত্রবসু অমম্বসিদা মিপাইজরদুনা মমীৎ উইশিন্দুনা খাঙলিবরা? অতিয়াদদি মশীং থীঙমদ্রবা থৱানশিংনা তগুপ–তরেং ঙাল্লি। তন্দলশিংনা কুফেৎ–কাফেৎলদুনা অহাঙববু লানশীংনরি। মতৌসিদা কৌজেং–হারৌশিংনা তনদলশিংবু করেন্ননা শিথ–শিথ নোক্লি। অরাপ্পদা খুলগী হূইশিংদনা কনানা লক্লরিবনো অচীকপসিবু অমুক–অমুক থুগাইরকই। তৌইগুমসুং অচীকপতনা নক্কৎলকই।

ফক্লাং ঘরীনা পূং তরানীথোই তাবগী কাংশি য়ৈরকই। হৌজিক্তদা থম্বাল মঙফাওনরকই। ঙসাইমখৈ মাবু তূম্লুরব্রনে? ফম্লম্বদগী হৌগৎলকই। অমুকসু চেপথদুনা থোঙ্গাল্লোমদা মুন্না য়েংঙি।

'অসূক থেঙলবফাওবা মাবু কদায়দা লৈরিবনো? ওন্তোক্লা জ্ঞান তাখিদ্রেদকো মসি অঙাংসে। খঙগনি ঙসি মা হন্দ–হঞ্জিল্লকখিসনু।' সিদা চৎকনি হায়বা করিমত্তা হায়রমদে। ঙসাই নুমিদাংৱাইরম মমান্নবা অমা'নীগা থোকখিবনি।

থম্বাল মশাদু লৈতাফম খঙদে, লাঙতক্লে। অশাংবা স্বর 'মতং ফূইনা হোল্লি। মওল–মওল পঙখন্দা খল্লি– 'করিবু তৌরবজাৎনো?' ইমুংদা চঙলকই। ফমুংদা হীপ্লিবা মপুরোইববু হৌদোক্লদুনা অমুক হায়রকই–

"মোয় পাবুং, ইবুংঙোদুবু অস্বাইফাওবদং য়েংলুসিরা?"

ইবোবীসু তূম্লমদ্রি–

"অসূক থেঙলবসিদা কদায়দনো থিরুদোইসে, কনাদনো হংলুদোইবো?... নচাদো পাখঙ ফারবনি, নঙ –ঐগী মীৎতবু ঙরাংতগী অঙাং ওইনা উবগী ৱানি। লাকও নঙদুম তূম্মরো।"

থম্বাল মপুরোইববু ৱারৌজে। অমত্তা পোকচবা মচাবু নুংশিবা খঙদবনি হায়দনা মদোম নিন্দা তৌজে। মপুক্লীং খজিক নুংশিরকই।

'অসূক থেঙলবফাওবা মাবু কদায়দা লৈরিবনো?'

"দাঙ ... দাঙ ... দাঙ..."

পূন্নিল নিল্লি।

"এ! নোংমৈ মখোল নৎত্রা?"

মমীৎ–মনা চপ য়ুংঙি। ফূক হৌগৎলি। অমগা–অমগা শংত্রিক য়েংনৈ। মায়থোঙ ইমক মকশীল্লি। তূমিন তূমিন লৈনৈ। কদোমদনো হায়না মায়কৈ লেপ্পনবা হোৎনরকই। নোংমৈ কাপ্পসু লেপখ্রে। হৌজিক্তি পূমচীক–চীক্লে।

"মোয় পাবুং ইমুংঙোদুবু...!"

থম্বাল মখোল তনীক–তনীকই। স্বর ফুনগৎলকই। ৱা মখা তাবা ঙমদে মীৎলু অনীদু পিতনা থূক্কৎলকই।

অশাংবা স্বর'মা হোন্দোক্লদুনা মপুরেরাইবনা মাবু থেমজিনবিরকই–

"কৈসু তৌরোই। পাখৎখিনু। নচাদো কৈসু তৌরোই।"

মপুরোইবনা হায়জৈ হায়বদু মঙায়, মশাদু পাখৎপনা পূমপঙ পঙশিল্লি। মিহুল দঙ দঙ চোংঙি। কোকচাওবী ফূং কায়। মমীৎ তপ্পা ৱানা উইশিঞ্জে। মপুক্লীংদা ঈশ্বরবু খুরুমজরকই–'ইচাবু খুদোংথীবদগী কনবিয়ু...।'

লাপ্পা হূই খোংবগী মখোল তারকই। অসুম নকশীল্লকই। য়ুমথঙনরিবা অৱাংগী হূইজাওদুসু কন্না খোংলকই। থম্বাল অমুক্কা হেন্না মীৎ–না শিংগৎলকই।

'ইমা, ইমা থোঙ হাংঙো।'

থোঙ থীল্লদুনা মচানা কৌরকখিব্রা। অমুক কৌরকখিদ্রে। কনাসু লাকখিদ্রে। খোংলম্বা হূইদুসু লেপখ্রে। পূমচীক চীকখি। ঘরীগী তেক–তেক চৎপগী মখোল অমদি ফূইনা হোনবা স্বরগী মখোল হেন্না ময়েক শেংনা তারকই। অদুবু থম্বালগী থম্মোয়নুংগী লাঙতক্লবদি অহোয়নরকই। ফমুংদা শূরু–শূরু নৈরি। অমুকসু খল্লকই– 'মাবু কদায়দা লৈরিজাৎনো? ঈশৈ তাবকা চৎলমগদ্রা? ঙসিসিবু কদায়দা ঈশৈ লৈবগে? ঈশৈদি য়ান্না পামজবনি। অৱাং খুনৌদবু ঈশৈ লৈবরনে? মীগা খৎন–চৈনরমগদ্রা? সিফাইনগা ফাবিরমগদ্রা, নোংমৈনগা কাপ্পুনা হাৎতোকপিরমগদ্রা? করি মরালগী? মরাল লৈবা–লৈতবা খূৎলায় পায়বশিংনদি হাৎকে মনীংনি, ফূগে কুশিনি।'

থম্বাল কোকচাওবী ফূং কারকই।

'হুম মাদি কনানসু ফারগ্লোইদা। ফারগ্লোই। ঐগী ইচা নিংথেম কদায়দনো'মা শোয়দনা লৈরমগনি নুংঙাইরেমখৈ। ঈশৈ তারম্বা য়াই। লীলা য়েংলম্বসু য়াই। কুন্ধে ৱাৎপা ইরমদম নত্তে। মমান্নবা অমগী য়ূমদা নুংঙাইনা লৈথোক্লম্বসু য়াই। মহাক করিসু তৌরম্মোই। শোয়দনা হল্লক্কনি। করিসু তৌরম্মোই... ঙসি নৎত্রবসু হয়েং মহাক শোয়দনা হল্লক্কনি।'

চাইথোক্লুরবা মাগী ৱাখল ফাজীন্নবা হোৎনরকই। তপ্পা তপ্পা চোকথরবা মমীৎ অনীদু উইশিল্লকই।

"দঙ ..."

পূমনিল নিল্লি। মালেমসে চেকখায়রবগুম থক–থক নীকই।

"পোদ্রোক ... পোদ্রোক ..."

মীপূম খূদিংমক থোকঅ–থোকঅবা মায়কৈদা পঙচেন্দা চেন্নরি। নোংমৈসু লেপ্তুনা পঙকাপ্তা কাপ্লি। লেপ্পা হৈত্রবা নোংজুগুম চুথরি। লাঞ্জদ্রবা থৱায় কয়া নোংজুসিদা পূমচোৎ চোৎলি।

কনানো? কনানো শকখঙদবা নুপামচা'মা মখোঙদু চিংল–চিংলদুনা চেল্লী। তুংহন্না অমুকসু য়েংঙি। খুদি থীদুনা উপথুদুনসু তুশিল্লি। ফূক হৌগৎতুনা স্বর থবেৎ–থবেৎ হোল্লদুনা হেক ঙম্বমখৈ চেল্লি। মঙমদি ইশান–শানদে। মশা পূম্বা হূমাংনা পূমলূপ লূপ্লি। তুংদনা মশীং য়ান্নবা য়েক্লবশিংনা মাবু ফাগদৌবগী তান্নরক্লি।

মানি, মানি নিংথেমনি। ইস! করি মতৌনো। সিদি করিনো! মহাক তুখ্রে। চেনবা ঙমদ্রে। খূদক্তা য়ামখ্রবা সিফাইশিংদুনা মাবু কোয়শিনখ্রে। অমনা কন্না চেনশীনখিদুনা খোঙপাক্লা কাওশিল্লি। বতনা শুজিল্লি। মথক্তা কাখৎতুনা চবেৎ–চবেৎ নেৎলি। অমুক মশম পায়দুনা চিংখৎলি। খোঙপাক্লা কাওশিল্লি। মখোয় মরীনা মখূৎ নাম্ম–নাম্মা ফা, মখোঙ নাম্ম–নাম্মা পায়দুনা ফৈজৈ চিংই। বতনা শুজিল্লি। সঙ্গিননা থিল্লি। মৱূ ফূক্লা উপালগুম নিংথেম লৈমায়দা লোংনা হাইথখ্রে। হৌজিক্তি মশাদু লেঙখিদ্রে, উতূপ তাবগুম তাদুনা লৈখ্রে।

'নত্তে ইচাবু হাৎপিগনু। মাগী মরাল করিনো? শাহীংচাবশা ইচাবু হাৎপিগনু। ইমাগী নিংথেম ...।'

"থম্বাল, থম্বাল নঙবু তারব্রা? নঙবু জ্ঞান তারব্রো?" মপুরোইবনা মশা নোমদুনা হৌদোরকই।

"হা, ইস!"

থম্বাল মীৎকপ খংথোক–থোকই। মশাদো হুমাংনা পূমলুপ লূপ্লম্লে। মায়থোঙদুসু পিরাংতনা পূমচোৎ চোৎলম্লে। মতোমতা খঞ্জে–

'ইস! মঙ ওইরেকো। হৌজিক্কী দো মঙ ওইরসনু।'

"নঙবু কৈদৌরবগে? হা নঙবু কৈদৌরগে?"

থম্বাল করিসু খুন্নক্তে। কদায়দনো করিনো'মদা শংত্রিক য়েংলদুনা তূমিন্না লৈ।

"ইবুংঙোদি হল্লকঅবরা?"

"হল্লক্ত্রি।"

তূমিন লৈনখি। পূমচীক চীকই। থম্বাল মথন্তা মওল মওল পঙখন্দা খল্লকই অচীকপদুদা–

'হৌজিক ফাওবা নিংথেমনা কদায়দা লৈরিবা? মাবু হল্লক্লরোইদরা? অহীংসিনা কয়াম থেঙখ্রবা, নোংঙানগদবনা কয়াম ৱাৎলিবা?

পিরাংতনা থূক্কৎলবা মমীৎতুদা মশেন–মরাং উরকই–ঈখেঙতনা লূপ্লবা মচাগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাংনা নীংঙাইদনা য়াতারিবদো।

*(ৱারী মচা অসি কুমসি চহিগী ওইনা মণিপুরী সাহিত্য পরিষদনা পীবা য়ুন্নাম লালা অমসুং বীধুমখি নিংশিং সাহিত্য মনা ফংখ্রবা অইবগী লাইরিক "মৈ চাক্লিবা জে সি বি" দগী লৌখৎপনি)*

## তাবুনুংদগী

*(মণিপুরগী অরিবা খুন্নাইদা হঙোই খোংবগা নোং তাবগা য়ান্না মরি লৈনৈ হায়বগী থাজনবী অমা লৈরকই। হিরম অসিদা মমা ওইবীশিংনা অঙাং থেম্বদা শিজিন্নবনি হায়বা ইশৈ শৈরেং অমা ঙসিগী ওইনা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি।)*

লাংথ্রে নঙ করিগী শৌদে?
ষণনা চায়।
ষণ নঙ করিগী চায়?
ষণশেন্নহা ষণ শেন্দে।
ষণশেন্নহা নঙ করিগী ষণ শেন্দে?
ইমানা চাক পীজদে
মমা নঙ করিগী চাক পীজদে?
শীং কংদে।
শীং নঙ করিগী কংদে?
নোং চুই।
নোং নঙ করিগী চুই?
হঙোই খোংই।
হঙোই নঙ করিগী খোংই?
ইকুমথা ওইবগী খোংবনি,
গো গো গো গা।'

## মণিপুরী পাল্থৈ –পাউরৌ, পাউতাক

**৩৮৩ অরৈ লৈত খঙদনা হাজাও লাংদুনা লৈ।**
– ইরৈদি লৈতনা য়ান্না তৌজিনিংবা উৎচনিংবা।

**৩৮৪ অরোন অথুপকীদমক পায়মা খোইজংগনু কুইনা লোৎপা য়ারোই।**
– ফত্তবা তৌবদা হৈনগনু মীথানরোই।

**৩৮৫ অরুবা থৌ শিন্নবদা মীশক খল্লু।**
– কুপ্পা খল্লগা থবক তৌবা।

**৩৮৬ অরাম্বদা পীজৌ থৌরাংবদা পীথকউ।**
– পীজ–পীথকপা হায়বসিমুক মহয় চাওবা লৈতে।
–খঙনীংবা হৈনীংবা মীদা তাকউ।

**৩৮৭ অরিবা চেম্বদুনা তোকপা**
– হান্নগী ফত্তবা থবক্কী ৱাফম অমুক পল্লুবদা কান্নবা ওইদবা।

**৩৮৮ অরিবা কোকশিংগা খন্ন– নৈনবদি অফবা পুরকপা ঙম্মী।**
– অহল–লমন, অখঙ–অহৈ তান্নরবদি থবক খুদিং মহয় য়াল্লি।

**৩৮৯ অরানবা থবক তৌরগা তুমিন্না য়েংলিবদু ফক্লাংদা থেৎপা লাইগুম্বনি।**
– অরানবা থবক তৌবা উরগা তুমিন্না য়েংদুনা লৈরবদি কান্নদ্রবা মীকিথীগুম্বনি।

**৩৯০ অরোল অথুপকী থবক্তি হূরানবগী শাজৎনি।**
– লোন্না থুপ্পা তৌবা থবক হায়বসি হূরানবগী শাজৎকুম্বনি।

**খোমজিনবা**
**ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন**

## লাইরিক্কী উন্নবা

**লাইরিক্কী মমিংঃ অমম্বগী লম্বীসিদা (শৈরেং)**
**অইবাঃ তাওরেম ওংবী সুনিতিবালা**
**ফোঙবাঃ অশাংবা কম্যুনিকেসন্স, ইম্ফাল**
**মমলঃ লুপা ১৭০ /–**

তাওরেম ওংবী সুনিতিবালানা ইবা 'অমম্বগী লম্বীসিদা' হায়বসি অহানবা ওইনা খৃষ্টকী কুম ২০১৭ তা অশাংবা কম্যুনিকেসন্স, ইম্ফালনা লময়ানবা প্রিন্টর্স, কোনুং লম্পাক ইম্ফালদা কপি মশীং ৫০০ খক নম্লগা ফোঙবনি। লাইরিকসিদা শৈরেং ৫৮ য়াওরি, লাইরিকসিগী মখূন্না মখোমনি মোংসাবনা শেম – শাবনি। শৈরেং হায়বা কলাগী মচলসি ক্রেএতিব আর্টকী ওইবা খ্বাইদগী ৱাংবা কলানি। অইবা তাওরেম ওংবী সুনিতিবালা মীওইবগী পূন্সিবু য়ান্নমক ফিলোসেফিকেল ওইনা য়েংনবা, মাপাম্থোংদা উরিবা মশক–মচুনাইবা, শোকপা থেংবা য়াবা, মনম মহাও নাইবা পোৎলমশিংসিতনা পূন্সিগী মশক ওইনা লৌদে। অদুনা অইবীনা মহাক্কী লাইরিক্কী ৱাহৌদোক 'অইবীনা পজনীং খরদং হায়বসিদা ইরি– "হোংবা নাইবা মীওইবা মপোক্লি হায়বসি ঐখোয় পূম্বনা খঙলবসু মদুবু কমদৌনা অহোংবা ওইরক্লিবনো হায়বসি লেপফম খঙদে। হৌখ্রবা মতম, অঙাং ওইরিঙৈগী শকফম নীংশিংলুরগা হৌজিক্কী শক্তম লেপ্লকপদা খঙলকই। খেন্নরম্বা মায়থোঙ হকচাংগী শরুকশিংদা উরকই, থেংনরকই। ঈশিংনা নোংমতসু পোত্থাখিদ্রবা মহাক্কী খোঙচৎনি। নোং ওইনা তারক্তুনা অচৌবা চীংজাও লক্ষাং কয়া তু–খোং কয়া থেক্লা খোইনা চেন্নরবা মতুংদা অচৌবা ঈপাক্তা তিল্লুনবা খাম্বা ঙমদনা চেম্থখ্রি। লেপ্পা লৈত্রবা মহাক্কী খোঙচৎ অদুসু অঙকপনি।" অহোংবগী ঈচেলগা য়াওন্নরিবা পুন্সি খোঙচৎপু অইবীনা কূপশিন্না য়েংশিন্নবা হোৎনরকপগী মশক অদু মসিদা উবা ফংই।

লাইরিকসিদা য়াওরিবা শৈরেংশিংসি তেনতক–তেনতক তৌবা শৈরেংনা অয়াম্বনি। লামায় অমগা তঙ্খায় শাংবা শৈরেং অমখক নত্তনা অতৈদি লামায় অমগী মনুংদা চনবা ঙাক্তনি। পরেং খরদংনা শাবা শৈরেংশিংসু য়াওরি। কবিগী শৈরেংশিংগী মরুওইবা হীরমদি – মরৈবাকপু শৈশক শৈথাজবা, মানবতাগী মীৎয়েংবু পামজবা, মীওইবগী মরক্তা খেন্নবা থম্বা পামদবা, 'নুংশিবা' হায়বসিনা তাইবঙ মীওইববু য়োক্তুনা থল্লিবনি অদুবু তেল্লবা মীৎকূপকী পুন্সি অসিদা মীওইবনা মীওইবগী পুন্সিবু মমল লৈতনা মাঙহনববু য়ানীংদবা উৎপা, প্রকৃতিগী অঙকপা খূৎশেম্মু শৈথা–শীংথাজবা মীতোপ মীয়ানচানা লমদমগী য়েলহৌমীগী শক্তম য়োৎশিল্লকপগী অকিবা ফাওরকপনি। মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিনখ্রবা মতুংদা চাউরবা সমুদ্রগুম্বা ঈপাক অমদা পীক্লবা মণিপুরনা ঈশিং খূজোক অমত্তমক ওইরকখি। মসিনা ইন্দিয়ান মেনলেন্দগী মশীং য়াল্লবা মীওই কয়ানা ঈশিং ঈচাওগুন্না হাজিল্লক্লি। অসিগুম্বা ফিভমসিদা মীওই ফূরপ অসিসু য়াওনা মাঙখ্রগদ্রা হায়বগী লাংতক্লবদু শৈরেং 'খোঙফম চেৎনা লেপ্পু'দা ইরি–" লমদমসিগী য়েলহৌমীশিংগী/খোঙ্গুল, খূনায় মূত্থৎলক্লে;/ মুনখিগদৌরে খোঙফম অসিফাওবা;/ইপা–ইপুশিংগী হৌরকফন্নি/ঐখোয়গী খোইরী নুংশাং ফূমফন্নি/ খোঙফম হোংবা য়াদেকো/খোঙফম চেৎনা লেপ্পু!/ খোঙফম চেৎনা লেপ্পু।।" (লাঃ৪৮) কবিনা অমুকসু সমাজ অসি মূক্লবা, হাৎন–শুনবা, পূকচেল পীকপা মতৌ, মীনা মীবু মীওইনা উদবা কয়াসিবু শাথিনা য়ানীংদবা উৎলি। ফোঙদোকপগী মশক্তদি অইবগী লোন চম্মী। হায়নীংলিবা ৱাফমদু থোইনা লৌথূপ – লৌকোই লৈতনা ফোঙদোকই। অচম্বা অমদি ইতিং তিংজবগী ফজবদু মহাক্কী খূৎইদা য়াওরি।

**আর জে মীতৈ**

## শৈরেং

### অঙাঙবা ফীরাল

*– আই এস পূয়াম*

মাঙদা য়ুংলিবা, মোংফমথক্কী
অঙাঙবা ফীরালশিংসিনা হংলকইঃ
চাক্লক্লিবা মৈরিশিংসি উদ্রা?
ঈখেংগী নোং চুথরক্লিবসি খঙদ্রা?
অচুম্বা লম্বী থিবদা
ঈগী ঈরম চেল্লক্লিবা
ঈফাং নাইনা মোংফম তন্না,
কনানো চৎনীংনা চৎলিবা লম্বীসিদা
মীৎকুপ 'মতং লেপ্তুনা য়েংলমখো
হাইদোক্লগা তিংখং তুম্বী নারক মোংশোং।
চৎলু মদুদা খোঙফম চেৎনা থাংলগা
মঙাল থোক্ত্রিবা মৈরিসি তন্না।
য়েংবগী পেনবা নাইদেদা।
'মাধবী' উপন্যাস লৈরাংনা
মালেম শীনবা থুংনবু
লৈরাং লৈনম য়েল্লিদো
নীংশিং নীংশিংলুরগা
নীংঙমদরে নুংওলনা।
'মাতৃ তর্পন', 'দেবযানী'না
নঙগী খোঙলোই ওইদুনা
নৌনা পূন্সি কেমখ্রবা
কাঞ্চি কোকিল খোননৌবা
কনানবু কাউঙম্বগে?
কোকিল নঙনা খোংলম্বদো
তানীংদবা লৈতেদো মালেমদা,
পাইরকখোনে কোকিল নঙবো
তোংদুনা খোংলখোনে খোন্নৌবা
হৈবোক চীংগী লৈকোলদা।
ৱাদনা নুংঙাইবা পাম্বা কাংবুনি
ওইদবতনা অচুম্বা ওইহন্নবা হোৎনদুনা
মচাশিংসু ওইজবগী শিবা কিহন্দবনি
হৈগেরা হৈরোইরা স্যার কৌদুরিবনি
ঐগী ইচা ফাষ্ট তারকপদুনা
অরেম্বা পামলিঙৈ, অচাওরম তান্নরিঙৈ
তাবিনবা লৈত্রিঙৈ কন্বীনবা ফংদ্রিঙৈ
ঙসিসু হোংদোক্লবা হোৎনবা লৈতরি
লাওরিদনা চীংগী প্রজা নুংঙাইহন্নবা।

### কাঞ্চি কোকিল

*– লৈশাংথেম অচৌবা*

কাঞ্চি কোকিল খোননৌবা
নঙনা লাংথবাল কুঞ্জদগী
নৌনা পূন্সি লোমখিবদি
নীংঙমদা পোকচৈদা থমোয়দা।
নঙনা থারম্বা লৈরাং কয়াদি
মৈতৈ সাহিত্য লৈকোলদা
লোইনাইদ্রবা লৈরাং লৈনম্না
মালেম শীন্না য়েল্লিদো।
নঙনা পাইরমদাইগী মতমদা
শাংলবা নসা অদুনা
অমুক্তং তিংথোক্লম্বদা মালেমসিদা
কাউদা উরোং খিল্লম্বা
মুত্তরিনে ঙসিসু।
হুক্লরেনে নঙগী 'লৈ পরেং'না
কংলৈ ইমাগী ঙকশমদা
ওন্থোক্লসু ফজৈদা
কাঞ্চি লৈকোলগী লৈরাংসে

### থাজনিংঙাই কনাবু লৈরিদগেনে!

*– কে এস খুমন*

নোংমতা কাংদে হাৎলম্লে, শিরম্লে
ইজ্জৎ মাংহল্লম্লে, পৈশা হাৎখ্রে
খূৎশুমন পিবিদে তলব পিবিদে
হেলমেট উপত্রবদি থাও পিদরে
য়ু পিথক্ত্রবদি সংস্কার তৌরোইদৌরে
নিষা চাদ্রবদি সঙ্গ লৈরোইদৌরে
ট্যুসন তৌদ্রবদি পরিক্ষা থাহল্লোইদৌরে
ডিমান্দ খুদিংমক অচুম্বা নত্তেদো
নিংশিংখিদরে মখোয়নবু হায়রবদি য়াগদবনি
লান্বা চুম্বা থিগৎপা য়ারোইদৌব্র?
হৌখিবসু লৈরিবনসু কনামত্তনা হায়দোক্তে
অরান্বা হিষ্ট্রিশিং কদায়দগী খুল্লকইবা
উদ্রিফাওবা হংবিনবা কনাবু লাকখিগদগে?
নখোয়দা ঙাংবসিদি মীচা শিংননবনি

### মালঙবা

*– রন্ধির থিয়াম*

য়েঞ্জনীংবনি ঐদি
নুংশিবগী লৈনম
শন্দোকচনীংবনি ঐদি
শান্তিগী পাউজেল,
অদুবু
করি উপাইদি লৈরি ঐগী!
মোৎহনবিরবসিদা ঙন্না
চেলহনবিরবসিদা ইশা পূম্বা
হূগী মহূ
মালঙবা ইপাউসিদা।

## চয়োলসিদা সাহিত্যগী পাউ (থৌরমশিং)

**২৮ মে ২০১৭ নোংমাইজিংঃ–**

সাহিত্য সেবা সমিটি ককচিং, মণিপুরনা শিন্দুনা নুথিল পুং ১ তাবা মতমদা রিপ্রজেন্তেটিব ওফ লোইস ককচিং চুমনামগী শংলেনদা লাইরিক ফোঙবগী থৌরম অমা পাঙথোকখি।

হায়রিবা লারিক ফোঙবগী থৌরম অদিদা প্রোফেসর আই এস কাঙজম, প্রসিদেন্ট, ক্রিটিক ফোরম মণিপুর, প্রোফেসর নাহকপম অরুনা দেবী হেড ওফ দিপাটমেন্ট ওফ মণিপুরি য়ুনিভর্সিটি, য়েঙখোম ধনঞ্জোই সিংহ, প্রসিদেন্ট সাহিত্য সেবা সমিটি মণিপুর ককচিংনা অথোইবা লেঙবীরকপা, অখন্নবা লেঙবিরকপা অমদি থৌরমমপু ওই লেঙশিনখি।

ফোঙলিবা লাইরিক অসিগী মরমদা সলাম তোম্বা সিংহনা ৱাঙাঙখি, হায়রিবা থৌরম অসিদা ফোঙখিবা লাইরিকশিং অদুদি '*সাহিত্য নৈনরোল*' হায়না মিংথোনবা অহুমশুবা খূৎনম অমসুং 'য়াওলগী খোঙগুল' (নোবেল) হায়বা লাইরিক অনি অসিনি। লাইরিক অনিমক্কী অইবা কেঙবা য়েঙ্খোম নি।

**২৮ মে ২০১৭ নোংমাইজিংঃ–**

মুতুৱা ম্যুজম ইম্ফালনা শিন্দুনা মুতুৱা বাহাদুর না ইবা 'কতে' (অৱা লৈবাক্কী মৈতৈ) হায়না মিংথোনবা লাইরিক অমা ইম্ফালগী কংলা মনুংদা লৈবা আর্কিওলোজি লোইশংদা হৌনবী মতুংইন্না মীয়ামদা ফোঙদোকখ্রে।

হায়রিবা লাইরিক অসি ফোঙবগী থৌরমদা মোইরাংথেম লক্ষ্মিকুমার সিংহ, আই এস , কমিসন্নার আর্ট এন্দ কলচর, গভর্ণমেনট ওফ মণিপুরনা অথোইবা লেঙবীরকপা ওইখি।

লাইরিক অসিগী মমল লুপা ৫০০ থাজরবসু ফোঙবা নুমিৎকী খুদোঙচাবা পীবা ওইনা লুপা ৩০০ দা থৌরম অদুবু শরুকয়াবা লাকখিবা মীওইশিংদা ফংহনখি।

প্রবিন হাওবম